ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা মোমোন লৈমগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ইঙনা চীক্লা লৈরুনবা নুপী খুন্নাই অপুনবা লুপ, লমশাংগী থৌমীশিংনা থৌনি থৌরম পাঙথোকখিবা

খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা তেংবাংখিবা

নোর্দন য়ুনাইটেদ ক্লব্স ওর্গনাইজেসননা অমুকোগা খুৎশম্নদুনা খোঙহাম্পাৎ হায় স্কুল অমসুং কান্তো খুল্লেন জুনিয়র হায় স্কুলদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদা ঈশিং য়েন্থোকখিবা

পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মাস টেষ্টিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী ষ্টাফশিংদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু জনমেঞ্জয়না এন ৯৫ মাস্ক খুদোল তমখিবা

পুলিসতা তেংবাঙলি

ককচিং, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা চত্থরিবা মণিপুর পূম্নগী টোটল কর্ফিয়ু অসিদা মণিপুর পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংদা কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমদি লন্নাই লুপ কয়ানা মতেং পাংশিনবগী থবকশিংসু চত্থনরি।

ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ২গী টাস্ক ফোর্সনা ককচিং ৱাইরি কে এম সী রোদতা অচৎ-অওকশিং মরম চাদনা চথোকৎ চৎশিন তৌরিব্রা হায়বদু লম্বীদা লাকপা মীওইশিংদা খামদুনা ৱাহং পাউহং চত্থবদা পুলিসকী মতেং পাংলি। ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ২গী টাস্ক ফোর্সকী মীওইশিংনা লম্বীদা লাকপা মীওইশিংগী মনুংদা ভেন অমদা ক্বা মিথা মনা য়োন্নবা পুদুনা লাকপদা ফারগা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

হীদাক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): অমুকো অমসুং য়ুনাইটেদ ক্লব্স ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি)গী মীৎয়েং মখাদা হাংলিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা অয়ুস দিপার্টমেন্টনা পীরকপা হীদাক-লাংথকশিং ঙসি মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পার্সনেলশিং অমদি ক্বাক্তাদা লৈবা মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংদা ইদ-উল-অধাগী য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ক্বাক্তা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী খুথাংদা ফংহনগদবা হীদাক-লাংথকশিং য়েন্থোকখ্রে। হীদাক য়েন্থোকপা অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী কনভেনর টি ঐচ নোরেন্দ্রো, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. আই এস কোন্থৌজম, এদভাইজর কে ঐচ কাপুর, টি ঐচ দিনেস, য়ু সী ও বি আই দিগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে রবিনকান্তা অমসুং অমুকোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কে সী লাইশ্রমনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না য়ু সী ও বি আই দিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ গোপেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লন্নাই মন্দলগী চ্যেরমেন এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লন্নাই এ সীগী মনুং চন্না কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিং হায়বদি তেলৌগী য়ূমথোঙ ৯, তখেলগী য়ূমথোঙ ৩১, সঞ্জেনবমগী য়ূমথোঙ ৮, পুংদোংবমগী য়ূমথোঙ ১০, চলৌগী য়ূমথোঙ ৩, সেক্তাগী য়ূমথোঙ ৫, লৌশাঙখোংগী য়ূমথোঙ ৫, নোংঙদাগী ইমুং ৫, নোংদমগী ইমুং ৫, নোংপোক ককচিংগী ইমুং ১, য়াওনা ইমুং ৭৭তা হৱাই, অচাথাউ, আলু, থুম, তিলহৌ, চিনিনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা পীখ্রে হায়রি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি কে কে দি সীনা কোভিদকী চৈথেং মায়োক্নরিবা পুখাউ লাইফমগী ইমুং ২, উয়ুম্পোক মনীং লৈকায়দা লৈবা ইমুং ৫৩, কৈবী হৈকক মপালগী ইমুং ৭, টেজ পুরগী ইমুং ১১, শগোলমাঙগী ইমুং ৮, সিনামগী ইমুং ১৭১, তাঙ্খম মনীং লৈকায়গী ইমুং ১০ পুন্না ইমুং ২৫৪দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা ঙসিসু য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাং পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবগা মরী লৈননা কে কে দি সীগী ৱাঙাঙলোয় এন দিজেননা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা টোটল লোকদাউন চত্থরিবা অসি কে কে দি সীনা শৌগৎচরি। অদুমওইনমক, কে কে দি সীনা কন্টেনমেন্ট জোনদা মতেং খরা পাংবা অসিনা মপুঙ ফাদবা কয়া লৈবনা কোভিদকী চৈথেং মায়োক্নরিবশিংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু।

মহৈরোয় শেমগে হায়বা নত্তে, মহৈরোয়দগী ঈ চূপকে হায়বনি : সুক

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কোভিন-১৯ লায়না লাইচৎগী চৈথেংনা অসুক ৱারবা মতম অসিদা স্কুল খরনা মতম চানা এদমিসন তৌরক্তে হায়না মহৈরোয় অদুবু চহী মাঙহন্নবা হোৎনরকপা মানবগী থৌওং চত্থরকপা অসিদি মহৈরোয় শেমগে হায়বা নত্তে, মহৈরোয়দগী ঈ চূপকে হায়বনি, মহৈরোয় অমনা চহী মাঙবা হায়বসি মহৈরোয় অদুগী পুন্সিবু মাঙহনবনি, মহৈরোয়বু হাৎপনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ তরুন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরকপদগী লৈঙাক্কী অথিংবা কয়া লৈবনা থবক-থৌরম অমত্তা তৌবা য়াদবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লিবা মতম কুইশিল্লক্লে। ফনা য়াম্না ৱারবসু মমা-মপা অমত্তনা মচাশিংবু মহৈ তম্বগী লমদদি চহী মাঙহন্নিংদবনা হৌজিক কন্না ওনলাইন ক্লাস তৌনরিবা অসিদা শরুক য়াবা ফংননবগীদমক এদমিসন তৌরি, থাগী ফী ফাওবা থীনরি। অদুবু কোভিদ-১৯ মনুংসিদা ইমুং অয়াম্বদা খুদোংচাদবা, অৱাবা হায়বসি অদুম মায়োক্নদুনা লাক্লি। মহৈরোয় খুদিংমক মোবাইল পায়গনি হায়বা লৈতে, মহৈরোয় খুদিংমক স্কুলগী অনকপা মফমদগী তম্নি হায়বা লৈতে। মহৈরোয়গী অপোকপা অপোকপী খুদিংমক মোবাইল পায়নি, লোইনমক মহৈ-মশিন হৈনি হায়বা লৈতে। কোভিদ-১৯গী লান্থেং মনুংদা মহৈরোয়শিং নারল্লোই, ইমুং মনুং নারমদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরল্লোই হায়বা লৈতে। অমদি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী অপোকপা অপোকপী, ইমুং মনুংগী মীওই লৈখিদবা ফাওবা য়াওখিবা কয়া অমনি। অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা মহৈরোয় শেম্নী হায়বগী পান্দমদা শাফোঙলক্তুনা লৈরিবা স্কুলশিংনা মহৈরোয় শেম্বগী মহুৎ মহৈরোয়গী চহী মাঙহন্দুনা মহৈরোয়বু হাৎপীগনু হায়না সুকনা প্রাইভেট স্কুল চল্লাইরিবশিংগী মফমদা হায়জরি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মতম কুইনা স্কুলশিং থোঙ লোল্লুরবা মতুংদা পুমনৌ নৌনা কংলৈপাক অসিদা ওনলাইন ক্লাসশিং হৌরকখিবনি। ওনলাইন ক্লাস য়াওদবা, পাউ ফাওনবা ফংদবা মহৈরোয়শিংগী ময়ুমদা স্কুল ওথোরিটিনা চৎপা পাউ পীবিবগী খুদোংচাবা লৈতবগুম মহৈরোয় অমদি পেরেন্টশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নরিবনি হায়বসি স্কুল ওথোরিটিনা খঙবিয়ু। কোভিদ-১৯গী মরক অসিদা নাখে শেংনা স্কুলদগী ট্রান্সফর সার্টিফিকেট লৌথোক্ত্রিবা মহৈরোয়শিংদি স্কুল ওথোরিটিনা মখোয়গী মহৈরোয়নি হায়না অদুম্মক লৌবীনবা হায়জরি। মহৈরোয় অদুনা মতাং-মতম চানা এদমিসন তৌহৌদ্রবসু মহৈরোয় অদুনা তৌজগে হায়না লাকপা মতমদা মতম হেনখ্রে, নোটিস থোকখ্রে, মহৈরোয় অদুবু মখোয়গী স্কুলগী মহৈরোয় নত্তে হায়বা য়াওনা অকনবা ৱাফম হায়রক্লবদি মহৈরোয় খুন্নাইগী মায়োক্তা হায়রকপা ৱানি হায়না লৌজদুনা সুকনা তুমিন্না খক লৈথোকচরোই। অদুমওইনমক এদমিসন থেঙনা তৌবদা খুদোং চারোইদবা মায়োক্নগদবা লৈরবদি স্কুল ওথোরিটিনা স্কুলদা নোটিসতং থোকপীবগী মহুৎ মহৈরোয়শিংদা হেন্না পাউ য়ৌখিনবগীদমক পাউ চেশিংদা হাপ্পীদুনা অথুবদা এদমিসন তৌথোকনবা মহৈরোয়শিংদা হায়বিয়ু। মহৈরোয়শিংদা শেলগী অৱাবা খরদা ওইরবসু হন্থনবা এদমিসন ফী ষ্ট্রকচরদগী ককপা য়াবা ফীশিং কোভিদ-১৯ মনুংগী ওইনা লৌবীদনবা হায়জরি। লাইচৎ অসিনা মহৈরোয় কয়াবু খুৎ তাক্তুনা তাকপী-তম্বীরম্বা ওজা কয়া লৈখিদ্রে। অমদি মহৈরোয় কয়া অমসু লৈখিদ্রে। মখোয়গী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ইংনা চীক্লা লৈবা ওইরসনু হায়নসু সুকনা তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

মহৈরোয়শিংনা মশানা হান্না তমজরকপা স্কুলদা এদমিসন তৌবা লাকপা মতমদা হরাও হরাও এদমিসন তৌহনবিয়ু। স্কুল ওথোরিটিগা পাউ ফাওনবা ফংদ্রে হায়না মহৈরোয়গী মমিং ককপীবগী মহুৎ করি করম্বা পাম্বৈনা মহৈরোয় অদুগা পাউ ফাওনগদগে হায়বরোমদা ৱাখল থাদবীয়ু। স্কুলশিংগা পাউ ফাওনবা ফংদবা মহৈরোয় লৈরবসু সুকতা পাউ পীবিয়ু। মহৈরোয় অদুগা পাউ ফাওননবা লম্বী থিবদা মতেং পাংজগে।

হৌজিক কন্না চত্থরিবা ওনলাইন ক্লাস অসি ইম্ফালদগী খরা লাপথোকখিবা মফমদা লৈবা স্কুল অয়াম্বদা নীংথিনা তৌদবগী মমি চাউনা তারি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ ফরক্লবা মতমদা ক্লাস চপ মান্নবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খেন্নবগী মমি চাউনা তারক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর, লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা হীরম অসিগী মতাংদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু। মদু নত্তদুনা ওনলাইন ক্লাস তৌনিংবা স্কুলশিংনা তৌজসনু, তৌনিংদবা স্কুলশিংনা তৌজরোই হায়বগী ৱাখল্লোনদা অসুম লৈরবদি কোভিদ-১৯ ফরক্লবা মতমদা অচৌবা খুচোংচাদবা কয়া মায়োক্নরক্কনি। মরম অদুনা ওনলাইন ক্লাসকী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা মহৈরোয়শিংদা চপ চাবা খুদোংচাবা অসি ফংহনবিনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবিয়ু।

হৌজিক স্কুল খরনা ক্লাস ইলেভেনগী এদমিসন প্রোসেস হৌরক্লিবা অসি খরা ঙনমল্লিব্রা হায়না সুকনা লৌজে। বোসেম অমদি সী বি এস সীনা প্রমোসন পীগনি হায়না লাউথোক্লবসু এগজাম অসিগী ফল লাউথোক্ত্রিবনি। মরম অদুনা এগজাম অসি হায়দোক্লবা মতুং এদমিসন প্রোসেস লোইরে অমদি রেজিষ্ট্রেসন মতম হেল্লে হায়দুনা মহৈরোয়শিংগী মঙলান থুগায়বিগনু। প্রোসেস হৌবিরবসু এগজাম হায়দোক্লবা মতুং য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০নিদি রেজিষ্ট্রেসন/ফোর্ম থাবীনবা স্কুলশিংদা মাঙজৌননা নীংশিংজরি।

মমাঙদগী সুকনা স্কুলশিংদা হায়জদুনা লাকপা স্কুল খুদিংমক্লা ঐচ এল এ সীগী মার্কতা এদমিসন প্রোসেস তৌবিনু, ওফলাইন/ওনলাইন এন্ট্রান্স টেষ্ট নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেসন নৎত্রগা ফোর্ম থাজিল্লকখিবা মহৈরোয়শিংবু লোট্টরি তৌবিদুনা মহৈরোয় খুদিংমকপু তম্বা ফংননবা খুদোংচাবা পীবিয়ু হায়জবদু হন্দক চহীগীসু অদুম্মক পাঙথোকপিনবা স্কুল ওথোরিটিশিংগী মফমদা নীংশিংজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কনাসু লৈজদ্রবী চহী ৮৭কী অহল অমা সী সী সী ককচিংদা লায়েং চত্থরি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): হিয়াংলমদগী মশাগী চহী ৮৭ লোম শুরবী মহাক্কীনি হায়বদা কনাসু লৈজদ্রবী অহল অমা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর ককচিংদা সেন্টর অদুগী দোক্টর, নর্স, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ অমদি মশা খরা ফগৎলবা ইনমেটশিংনা তেংবাংদুনা লায়েং চত্থরি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগী য়ূম য়ূমদা চঙদুনা কোভিদ-১৯ মাস টেষ্টিংগীদমক হিয়াংলম এ সীগী মফম অমদা পাঙথোকপদা অহল অসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী হেল্থ টিম অদুনা অহল অসিগী সেবারি অমগা লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদোক্লিবা সী সী সীদা চৎনবগী হায়বদা অহল অদুগী সেবারি ওইবিনবা কনাসু লৈতবদগী সী এম ও ককচিং ডা. টি ঐচ রাজেনগী পাউতাক মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দোক্টরশিং অমদি ষ্টাফশিংনা থৌদাং পুন্নমক লৌদুনা থৱায় য়াওনা মিনুংশিগা লোয়ননা অহল অসি ঙসি ফাওবা সেন্টর অসিদা লায়েং চত্থরকখিবনি হায়রি।

পাউ অসি তানরকপদগী ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, এম এল এ হিয়াংলম অমদি দি গাংমৈ, আই এ এস, দি সী ককচিং সেন্টর অসিদা লাক্তুনা দোক্টরশিং অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎপা অমদি অপেনবা ফোঙদোকপিবগা লোয়ননা শেল-থুমগী মতেং কয়া অমসু তৌবিরমখি। ঙরাংমকসু ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অহল অসিগী অৱাৎ অপা মেনখৎনবা শেলগী তেংবাং পীরমখিবসু লৈখ্রে। ককচিংদগী দোক্টর অমনসু অহল অসিনা সেন্টর অসিদা লৈরিঙৈ মতমদা সেবারি অমগী অচঙবা শেল-থুম খুদিংমক পুথোকপিরগনি হায়বিরম্বা অমদি মীওই কয়া অমনা সেন্টর অসিদা পাউ ফাওরক্তুনা দোক্টরশিং অমদি ষ্টাফশিংবু পুক্নীং থৌগৎপিরকখি। মীয়াম্না অহল অসিগীদমক তেংবাংবিরকপগীদমক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হোম আইসোলেসন ইন-চার্জ ডা. কে এস ঐচ সুমতিনা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দোক্টর অমদি ষ্টাফশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনবদগী অহল অসিগী অনাবসু তপ্না তপ্না ফগৎলক্তুনা হৌজিক্তি চাক-এঙ্গাং মহাও খঙনা খরা খরা চারে, ৱারী-ৱাতায়সু ৱাখল তানা শন্নবা য়ারে হায়রি।

থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু উরিপোক ব্রাঞ্চকী কুমজা ২০২১দগী ২০২৩ ফাওবগী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবা মীওই ১৮না শাবা এগজিক্যুটিভশিং ঙসি খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মালেমঙানবা সোইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এমসু উরিপোক ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি, ফুরিৎশাবম এলিসনা প্রসিদেন্ট, পুজা নিংথৌজমনা ভাইস প্রসিদেন্ট, সলাম ফিলিপনা জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং প্রিটি ময়েংবমনা ফাইনান্স সেক্রেটরিনি।

‘নুমিৎ হুম্নিদা মীওই ৪৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা পৌরাবি খুলদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): নুমিৎ হুম্নিদা মীওই ৪৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পৌরাবি খুলদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমেঞ্জয় মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পৌরাবি খুলদা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৪৪ অসিগী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওই ৩৪, কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মীওই ৪ অমদি চহী ১৮গী মখাদা লৈবা মীওই ৬নি। পৌরাবিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসি অয়াম্বনা লৌ-শীং উজদুনা হিংনবা হোৎনজবা মরম্না মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু। পৌরাবি খুলবু রেদ জোন ওইনা লাউথোকপিয়ু। খুল অসিদা য়ূম ১০০ হেন্না কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈবনিনা পুলিস পার্সনেলশিংনা পুং ২৪ চূপ্না ঙাক-শেলহনবিয়ু। মাস টেষ্টিং প্রোগ্রাম অমা অথুবদা শীনবিয়ু। মমাঙদগী হৌনা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা শীনবিয়ু হায়জদুনা লাকপা অদু অথুবদা পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা থবক্তা ওন্থোকপিয়ু। লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লিবা জোইন্ট টাস্ক ফোর্স তানরমদনা হোম আইসোলেসন তৌহনবা য়ারোই। লৌমীশিংগী লৌবুক পুমহাঙ হাঙদুনা লৈবনা টাস্ক ফোর্স অসিগী খুথাঙদা ফৌগী মহুৎ শিনবা য়াবা হৱাই অমদি থাবা অয়াবা অতে মরু-মরাঙশিং পীবিয়ু। হৌজিক হৌজিক লৌ খরা-খরা পান্নবা য়াওরিবশিং অসিগী য়েংবিদুনা হার (য়ুরিয়া) টাস্ক ফোর্স অসিগী খুথাংদা পীবিয়ু। মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙনা চেঙ, হৱাই য়াওনা তঙাই ফদ্রবা পোৎলমশিং পীবিয়ু। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী সেনিটাইজর মেছিন শীজিন্নদুনা খুল পূম্বা সেনিটাইজ তৌবিয়ু। মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন লোইরবা মতুংদা অথুবদা হেল্থ চেকঅপ অমসু তৌবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রিজার্ভ সিটতা রিজার্ভ কেন্দিদেট ওইনা ভোট লেপ্পা য়াহনবিয়ু : এম এল এ পাওনম ব্রোজেন

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মনুংদা রাজ্য সভাগী এম পি সনাজাওবা লৈশেম্বনা মণিপুরগী তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৮ ইন্নরদা য়াওহন্নবগী মতাংদা পুখৎখ্রবা মতুং ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা রিজার্ভ সিটতা লৈরিবা এ সী ৮গী মীয়াম রিজার্ভ কেন্দিদেট ওইনা ভোট লেপ্পা য়াহনবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ ব্রোজেননা থাদোরকপা ভিদিও রিলিজ অমদা হায়, হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা মণিপুরগী ওনরেবল এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরগী এ সী রিজার্ভ সিট ৮ আউটরদা য়াওরিবসিগী মতাংদা পুখৎপিরকপসি য়াম্না নুংঙাই। অদুবু এ সী অসিগী মীয়াম ঐখোয়ন তাঞ্জরক্লিবা দিমান্দদি জেনরেলদা হোংলগা চৎপদু নত্তে। ঐখোয় ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা রিজার্ভ সিটতা চহী ৭০ হেন্না রিজার্ভ এরিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা ভোট থাদদুনা লাক্লি। অদুবু ঐখোয় ইশানা ইশাদা ভোট থাদবা য়াদবা, হায়বদি লিগেলগী ওইবা অশোয়বা, কন্সটিট্যুসনগী ওইবা অশোয়বা চুমথোকপিরগা হায়রিবা এ সী ৮ অসিগী মীয়াম মশানা লৈজরিবা রিজার্ভ সিটতা রিজার্ভ কেন্দিদেট ওইনা ভোট লেপ্পা য়াহনবিয়ু হায়বসি ঐখোয়গী দিমান্দনি।

এম এল এ ব্রোজেননা মণিপুরগী এম পি অহুমগী পুক্নিং চিংশিল্লদুনা হায়, মতম শাংনা তৌরক্লবা এ সী ৮ অসিগী মীয়ামগী দিমান্দ অসি ওনরেবল এম পি ৩না হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন মনুং অসিদা রিজার্ভ সিটতা লৈরিবা এ সী ৮ অসিগী মীয়াম্না রিজার্ভ সিটতা সিজার্ভ কেন্দিদেট ওইনা ভোট লেপ্পা য়াহনবিয়ু হায়বদু পুখৎপিদুনা থবক্তা ওন্থোকপিনবা ওনরেবল এম পি অহুমনা থৱায় য়াওনা হোৎনবিনবা মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা হায়জরি।

লৌবুক ফাওবা ঈশিং থূম্বা হৌরক্লে : দেবান

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): হৌজিক ওইরক্লিবা নোংজু থাগী ফিভম অসি তম্বা ঙমদবা হায়বদু ওইরক্লি। ৱাইশেলনা কোল্লিবা এ সী ৭তা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা লাক্লিবা হৌখিবা চহী ১৫-২০ লোম অসিদা জুলাইগী ২ শুবা চয়োলগী মনুংদা নুমিৎ হুম্নি-মরিনি লেপ্তুনা নোং চুবদা ঈশিং চেন্থফম লৈরক্তবদগী ঈশিং থূমদুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক্তি হৌখিবা জুলাই ১৮গী নোংয়াইদগী ১৯গী অয়ুক অঙনবা ফাওবদা নোং চুরকপদা কৈশামথোং অমসুং নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীদা লৈবা য়ুমশিংগী শুমাঙ থেলোং ঈশিং থূম্বদা নত্তনা নাওরিয়া পাখঙলাকপদদি লৌবুক ফাওবা ঈশিং থূম্বা হৌরক্লে হায়না ৱাইশেল মরীল শেমগৎপা লুপ ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি নাওরেম দেবাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফিভম অসিদা অথুবা মীফম ফম্বা য়াদবদগী টেলিফোনগী খুথাংদা কৈশামথোং এ সীগী এদভাইজর হাওবম বিহারি, লেদিজ ৱিংগী সেক্রেটরি পোৎশঙবম নোনি অমদি ষ্টেয়রিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন লাইথংবম তোম্বোইনচিংবা কয়াদা তাথোক তাশিন তৌনরবা মতুংদা হৌজিক্কী ঈশিংগী ফিভমসিনা হেঞ্জিল্লক্লবদি মীয়ামগী লন-থুম, লোয়ননা কোভিদকী লাইচৎ মরকসিদা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা কয়া অমা ওইহল্লক্কনি হায়বগী মরম কয়াগা লোয়ননা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী ৱাইশেলগী কম্মিটি অসিগী নিংঙোম্বম অতোমদা লৈবা কোইজম খোনিগা পূন্দুনা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ এল জয়ন্তকুমার অমসুং নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী এক্স এম এল এ সোইবম সোভাসচন্দ্র অনীদা খঙহনখি। লোয়ননা মীয়ামগী লৌবুক কন্নবা হোৎনরক্লিবা সোইবম সোভাসচন্দ্রগী লৌবুক কনসি হায়বা খোঙজংবু শৌগৎতুনা ইরম ফাৎনবা হোৎনরক্লি। অদুগা হৌখিবা জুলাই ১৯দা হিয়াংথাং মনিং অমসুং কোদোম্পোকপিদা লৈরিবা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা চহী কয়াদগী শারল্লগা হুন্দোক্তুনা থল্লল্লবা মখুম মরি পানবা শটর হাংদোকপদগী জুলাই ২০গী অয়ুক্তা কৈশামথোং এ সীদা লৈবা য়ুমথোঙ কয়াগী শুমাঙ-থেলোং কয়া ঈশিং থূল্লম্বা অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী লৌবুক কয়াদা ঈশিং থূল্লম্বগী ফিভম ফবা ঙমখি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মফম কয়াদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লরি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লরি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (কে এ দি য়ু সী ও) অমসুং সী এম ও ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা ৱাবগাই মাইরেনবম, ৱাবগাই কাদাজিৎ লৈরক কাংজেবুঙ অমদি কৈরক মখা লৈকায়দা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। সীটিজন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ট ৱাবগাই অমদি কৈরক জি পিনা শীল্লগা সী এম ও ককচিং অমসুং সন হোস্পিটাল ৱাবগাইনা স্পোন্সর তৌবিখি। হৌজিকসু ভেক্সিন কাপ্পা ৱাৎলিবা মফমশিংগী ক্লবশিংনা কে এ দি য়ু সী ওদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি টি লকি মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও)না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা জিরিবামগী মিসন কম্পাউন্দ অমসুং লৈশাবিথোলদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ভেক্সিন কাপত্রিবা খুঞ্জাশিংদসু ভেক্সিন কাপথোক্লবা পাউতাক পীখ্রে। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং জিরিবাম সী এম ওগী মীৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লব্স ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা উচাথোলদা মোবাইল ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াবা থোক্লকখিবশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অজুকানা অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

অমরোমদা, ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা থোংজু এ সীগী মনুং চনবা বাশিখোংদা লৈবা বিহারি মেমোরিএল লাইব্রেরি হোলদসু মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা মীওই ৩৬৩ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি।

লম-তু শেংখ্রে

ককচিং, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি ককচিংগী মখাদা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং সেন্টর হাংলিবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী ওফিসকী অকোয়বা অমসুং গ্রাউন্দগী শরুকশিং লম-তু শেংদোকখ্রে।

জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভী ও), ককচিং, ককচিং খুনাই চাউখৎহনবা লুপ (কে কে সী এল), ককচিং, ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু), ককচিং, টি দল্লিয়ু ৱাই এল এ, ককচিং অমদি য়ু সী সী, ককচিং অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টেষ্টিং সেন্টর, দি এস এ, ককচিংগী কেম্পসতা লম-তু শেংদোকপা অদু চত্থখিবনি হায়রি।

জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমসুং নুপী খুন্নাই অপুনবা লুপনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এস সী সী) অমসুং নুপী খুন্নাই অপুনবা লুপ, লমশাংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

জে এস সী সীগী কনভেনর ধনকুমার নিংথৌজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এমসু, এম এস এফ, কে এস এ অমসুং সুককী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

লমদম অসিদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং, মণিপুরদগী আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট ১৯৫৮ চৎনবা য়ারোই হায়বগী খোঙজংদা কংলাদগী অসাম রাইফলস তকথোকখিবা কাউঙল্লরোইদবা তাঙ্কক্কী শরুক অমদা কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১৫দা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদা ইমা ১২না চঙশিনখিবা ফি থোংদবা খোঙজংদা শরুক য়াদুনা ইমা মিংথোল ফংদুনা লমদমসিগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎখি। থেঙ্খাং কয়ারক্তা লমদম অসিগী অরুবা থৌদোক-ৱাথোক অমা থোক্লকপা মতমদা অফবা পাউতাক কয়া পীবিদুনা অচুম্বা মায়কৈদা চৎনবা মতম লৈবা খিবিক্তা হোৎনদুনা লাকখিবী ইমানি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু মতম লৈবা খিবিক্তা করিদা শোয়খিগদগে হায়না শেন্নবিবতা নত্তনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংগী ইস্যু অমা চঙশিনবা মতমদা খুদোংথিবা তারকপদসু মমা ঐখোয় লৈরি হায়না চোংথোক্তুনা থেংনবিরম্বা ইমানি। লৈখিদ্রবা ইমাগী থৱায়না লাইরল্লেন্দা ইঙনা চীক্লা লৈরুনবা জে এস সী সীগী থৌমীশিংনা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, নুপী খুন্নাই অপুনবা লুপ লমশাংগী সেক্রেটরি সিনাম নোংলৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট ইমা মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লুপ অসিনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। ইমা মোমোন্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। ইমানা লৈখিদবগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎসিদা লমশাংদা সলাই পুন্সিফম শঙলেনদা তাইবঙ খায়বা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল সিদবীগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ অমদি মৈরা-মনম কৎতুনা ইমাগী থৱায় মিরেলনা তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ইঙনা চীক্লা লৈরুনবা লুপ অসিগী লুপলোয়শিংনা লৈঙাক্কী চৎনা-কাঙলোন ঙাক্লা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কনাগুম্বা অমত্তনা অনেম্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌবিগনু : এম এল এ দিঙ্গো

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু লাকশীন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগা লোয়ননা কনাগুম্বা অমত্তনা অনেম্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌবিগনু হায়না সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোরক্লি।

সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমদা ৫দা ঙরাং চত্থখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা মথক্কী ৱাফমশিং অসি এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবনি।

সেকমাই কাঙজৈবুঙ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অমদি মেজিক পার্কিং সেকমাই খুন্নৌনচিংবা মফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পা থোক্লকপা উবদা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা হায়খি, মমল য়াল্লবা মীয়ামগী পুন্সি কনবা হায়বসি লৈঙাক্কী অহানবা প্রাইওরিটিনি। মীশি-মীনা য়াওদ্রবা, অনা-অয়েক য়াওদ্রবদি দিভেলপমেন্ট হায়বসি অদুম মথন্তা লাকচগদবনি। মতম্থু ফাজিন্দুনা থম্বা য়াদবগুম দিভেলপমেন্টসু কৈদৌনুংদা ফাজিন্দুনা থম্বা য়ারোই।

মহাক্লা হায়খি, সেকমাই এ সীগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম ৪৫ রক পাঙথোকখ্রে। এ সী অসিদা মীওই লিশিং ১১গী মথক্তা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা এ সী অসিদা লৈরিবা ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওই খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্লবা পান্দম থল্লি। এ সী অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা তাঙ্কক ৪৬তা পাক্তক্লনা আর এ টিদা কোভিদকী টেষ্ট তৌখিবা লৈখ্রে। য়ূম-য়ূমদা চৎলগা টেষ্ট তৌবদনা য়ূম ৭০০ হেন্না তৌখ্রে।

কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং হান্নদগীসু তেংবাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু কন্টেনমেন্ট জোনবু লাউথোরক্লবদি মপান থোকপা য়াদ্রবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিগনি। লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা মথৌ তারকপা খুদিংমক পাউ পীবিরকউ। করিগুম্বা নৌনা পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লবদি মীওইশিং অদুনা এ সী অসিগী সরদার পটিল স্কুল, খুরখুলদা হাংলিবা সী ঐচ আই সীদা লৈবা য়াগনি হায়নসু এম এল এ দিঙ্গোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।